# পি আরগা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রিগা চপ মান্নগনি

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না লুচিংবা নেশনল দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স (এন দি এ) লৈঙাক্না মণিপুরদা পি আর থমখিবা হায়বসি, হান্না ষ্টেটকী লৈঙাক পায়রম্বা দব্বল ইঞ্জিনগী লৈঙাক অদুনা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংগী ঈরাং অসি লাকশিনবা ঙমদবদগীনি হায়না কনাগুম্বনা হায়নৈ। অদুবু পি আরগী লৈঙাক অসিনসু চহী অমা ফারক্লবা ফাওবদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংবু লাকশিনবা ঙমদ্রবনিনা, লৈঙাক অসিসু পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট হায়বসিগা করিসু খেন্নবা লৈত্রে। মণিপুরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈগেরা, পি আরগী লৈঙাক থমগেরা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংগী ঈরাং অসি নেমথখিগদবা মান্দ্রে, মরমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রনা মখোয়গী ঈরাং অসিবু নাকোয়ননা মখোঙ শোমদুনা শৌগৎলগা, মরা তপ্পগী ৱারী শানসি হায়বা শুপয়া য়ানীংদবা তম্পাক্কী লালহৌলূপশিংদা অচৌবা চৈফূ অমা পীনবা হোৎনবগুম্না উবা ফংনরি।

লুরিবদি, ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনদা য়ূম্ফম ওইবা দেমোক্রেটিক ইলেক্তোরেল প্রোসেসকী মতুংইন্না মণিপুরদসু ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্তবা য়ারক্তবা অসিনি। হোম মিনিষ্ট্রিনা চথরিবা কাউন্টর-ইন্সর্জেন্সিগী থৌশিলদা পি আর অসি জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা তৌবগুম্না মখা তানা থা তরুক অমগা অমুক শাংদোক্তুনা য়ামদ্রবদা চহী মরি/মঙামুক থমজিনবা হায়বসি মিনিষ্ট্রি অসিদা নোর্থ-ইষ্টকী এদভাইজর ওইরিবা ইন্টিল্লিজেন্স ওফিশলশিংগী অপাম্বনি হায়না মশক-মমিং তাকথোক্লীংদবা অৱাংবা থাক্তা লৈবা পাউগী লীখুনশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি। অদুম ওইনমক, য়েক্লবা লৈবাক পাকিষ্টানগী অকনবা ইথিল লৈবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মতাংদা কন্সটিট্যুশন এমেন্দ তৌদুনা পি আর অসি চহী কয়া চূপ্পা থম্বদা ওপোজিশন কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী থোইদোকপা অয়েৎপা পীরক্তবা তারবসু, মণিপুরগী ওইনদি থোক্লিবা ঈরাং অসি ইন্দিয়া মনুংগী ষ্টেট-এক্টরশিংনা খূজীন-থৌরাং তৌবা হায়বদু ওইবা মরম্না, অমসুং সেন্টরগী দাইরেক্ট রুল অসিনা ঈরাং লাকশিনবা ঙমদবদগী ওপোজিশন্না পার্লিয়ামেন্টরি দিবেটতা অচৌবা খুদোংচাবা অমা লৌখিবা য়াই। মরম অসিনা পার্লিয়ামেন্টতা বি জে পিগী এন দি এ লৈঙাক্না মণিপুরগী পি আর লৈঙাক অসি মখা তানা লৈহন্নবা কন্সটিট্যুশনল এমেন্দমেন্ট বিল অমা পুথোক্লক্কনি হায়বসি থাজবা ৱাৎলি। দব্বল ইঞ্জিন গভর্ণমেন্ট অমা লৈনা লৈনা কোংগ্রেসনা পার্লিয়ামেন্টরি সিট অনীমক মুন্দুনা লৌখিবা, মদুগী নুংঙাইতবা মলোম্না পি আর থমজিনবা, অমসুং দাইরেক্ট রুল অসিবু মখা তানা শাংদোকহন্নবা হোৎনরকপা হায়বসি বি জে পিনা মণিপুরদা লৈবাকমচা তাবা পোলিটিক্স তৌবগী খুদম নত্তে, অমসুং মসি ওপোজিশন পার্টিগী ইলেক্সনগা মরী লৈনবা প্রোপেগন্দা মপূং ফাহন্নবা হোৎনবগুম্বনি।

পি আরগী মতম লোইশিল্লকপা, অমসুং মসিবু মখা অমুক শাংদোকহনবা তৌদনা মথংগী চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা শরুক য়ানবগীদমক্তা করিগুম্বা মশক থোকপা থবক খরা পাঙথোক্তুনা ভোটরশিংদা উহনবা হায়বসি বি জে পি হায় কম্মান্দগী য়াম্নমক তঙাইফদবা থৌদাং অমনি। মীতৈ অমসুং কুকি ফূরুপ অনীমক্কী ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেরিবা ইন্টর্নেল্লি দিসপ্লেসদ্ পর্সন (আই দি পি) শিংগী পূক্লীংদা লৈরম্বা বি জে পিগী অচেৎপা থাজবা অদু নৌহৌননা হঞ্জিনহনবা মথৌ তারি। হীরম অসিগী মতাংদা সেন্টরনা, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) তা নোর্থ ইষ্টকী এদভাইজর ওইবা এ কে মিশ্রা মণিপুরদা থারক্তুনা কুকি-চিন অমসুং মীতৈগী ওর্গনাইজেশনশিংগা উন্নখ্রে, অদুবু নাকল অনীনা করি ৱারী শানখিবনো হায়বদুদি কনাসু খঙনদে। অদুম ওইনমক অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লকপা মতমদা অপনবা থোকহল্লকপা তারবদি লেম্না থারোই, অকনবা চৈরাক পীগনি হায়বগী ৱার্নিং অমদি শোয়দনমক্কী নাকোইননা পীরম্বা য়াই, অমসুং এম ঐচ এগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন তৌনরিবা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংগী মফমদা গ্রাউন্দ রুল ঙাক্না চৎকদবনি হায়বগী অকনবা য়াথং অমা পীরম্বসু য়াই।

চৎলিবা জন্যুৱারী থা অসিগী ১৬তা চূড়াচান্দপুরগী হেংলেপ এরিয়াদা ইন্দিয়ান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা, মতম খরগী মমাঙদা হৈরোকতা তৌখিবা মওং অদুগা মান্নবা ওপরেশন অমা পাঙথোকখি। হায়রিবা ওপরেশন অদু কনাগুম্বশিংনদি আর্মিনা ৱার গেম শান্নবনি হায়বসু য়াওই। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কুকি হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অমনা থাদোরকপা এস এম এস পোষ্ট অমদা সূ-গ্রুপ্পা য়াওদবা য়ুনাইটেদ কুকি নেশনল আর্মি (য়ু কে এন এ) দা কাউন্টর-ইন্সর্জেন্সি ওপরেশন তৌবীগনু হায়না লৈঙাক্কী মফমদা হায়জরকখি। কাঙবু অসি সূ তৌনরিবা লুচিংবা অমনা লিংখৎপনি হায়না থাজনৈ। কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশনশিংনা য়ু কে এন এ অসিবু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেশন নত্তে, মসিদি মীয়াম্না য়াবা লূপ অমনি হায়জবা তারবসু কাঙবু অসি মীয়ামদা কিহন-খংহন্দুনা মীচম কয়া হাৎখ্রবা অমসুং অসাম রাইফলসকা খানপি হায়রিবা খুল অসিগী মনাক্তা নোংমৈ কাপ্পবদা মশাগী কাদর ৩-৪ রোম শিখ্রবনি। কাদর ৪৫০ রোম লৈবা কাঙবু অসি অফবা মখলগী খূৎলায় ৩০০ হেন্না পায় অমসুং খূৎলায়শিং অদু তম্পাক্তগী য়াওনা, চূড়াচান্দপুরগী পুলিস অর্মরিদগী লুট তৌখিবশিং অদুনা অয়াম্বনি। তম্পাক্তগী লুট তৌখিবা খূৎলায় চূড়াচান্দপুরগী লালহৌলূপ অমনা পায়রল্লিবা অসি থিজিন্নীংঙাই ওই।

পূক্লীং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবদি পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা শেম্বগী মতাং অসিদা কুকি-চিন ফূরুপ মনুংদা কাঙলূপ অহুম থোক্লা অমগা অমগা মত মান্নদবা অসিনি। কাঙবু অমনা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মায়োক্তা লৈরি, অতোপ্পা অমনা গভর্ণমেন্ট শেম্বদা য়ানীংদবা তৌদ্রবসু কুকি-চিন এম এল এশিংনা গভর্ণমেন্ট অদুদা য়াওবা য়ারোই হায়রি, অমসুং মশাগী এম এল এশিংবু গভর্ণমেন্ট শেম্বদা য়াওহন্নীংবসু লৈরি। কুকি-জো কাউন্সিল (কে জেদ সী) না মীদিয়াদা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা, কুকি মীয়াম্না মখোয়গী এম এল এশিংবু গভর্ণমেন্ট শেম্বদা য়াওহন্নীংদবা তারবসু মদুদা য়াওবা নৎত্রগা য়াওদবা হায়বদুদি এম এল এশিংগী অপাম্বগী মখা পোনগনি হায়রি। অমরোমদা মীতৈশিংনা, মীয়ামগী অৱা-অনা কোকহনগদবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনবা পাল্লি।

চৈরক অসিদা, নাগা অমসুং কুকি অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং অসিসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। লিয়াংমৈ নাগাশিংনা খুন্দাবা ইরেং খুলদা কুকিগী সূ তৌনরিবা খূৎলায় পায়বা কাঙবু খরনা য়ৈখাই-থুগাইবগী থবক চথরকপদগী খুঞ্জাশিংনা চূড়াচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী অনী শম্নবা, তম্পাক্কী লম ফাওদুনা শেম্বা লম্বী অমা থিংজিনখি। থৌওং অসিদা শাউরবা কে এন এফ-পিগী লুচিংবা অমনা খুল অসিগী খুল্লাকপদা খুল মৈ থাদোক্কনি হায়না কিহল্লকপগা লোয়ননা কাদর খরা থাজিল্লকখি, অদুবু সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওইশিং লৈবা উবদগী খুল অদুদা চঙশিনবা ঙমখিদে। উংখৎনরিবা অসিগী থোইদোকপা মরম অমনা, নাগাশিং অসিনা খুন্দারিবা মফম অসিগা নক্ননা লৈবা কুকিশিংগী খারম ৱাইফৈ খুলদা সূ গ্রুপকী দিজিগ্নেটেদ কেম্প অমা থমজিন্নবা হোৎনরকপা অসিনি। হায়রিবা দিজিগ্নেটেদ কেম্প অসি রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমগী মনুংদা থমগদবনি হায়নসু ফোঙদোক্নরি। ফুটহীল নাগা কোওর্দিনেশন কম্মিটি হায়রিবা নাগাশিংগী লূপ অসিনা নাগানা খুন্দাবা মফমশিংগা নক্ননা কুকিগী দিজিগ্নেটেদ কেম্প অমত্তা থম্বা য়ারোই হায়না লৈঙাক্তা তকশিনবগা লোয়ননা অসিগুম্বা কেম্পশিং অসি কে এন এফ-এম সী অমসুং কে এন এফ -পিগী লুচিংবা অনীগী মমিং লৌদুনা থোনবা জর্মন-টাইগর রোদ হায়না খঙনবা লম্বী অসিবু ঙাক-শেলহন্নবগীদমক্তা থমগদবনি হায়রি। মীওই ফূরুপ অনী অসিগী মরক্তা মখা তানা উংখৎনবা থিংহৌনবগীদমক্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ৱাফম অসিদা পুকচেল শেংনা খূৎ থিংজিনবগী মথৌ তাগনি। নাগাশিংবু থেমজিন্নবা হোৎনরগা, কুকি খূৎলায় পায়বশিংবুনা মনীং তম্না থাদোক্তুনা থম্বা অসি ঈরাং হেনগৎহন্নবা শীনবগুম থোক্কনি।

অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বগী ৱাফমদা অমুক লাক্লবদা, মিনিষ্ট্রি অসিদা য়াওবগী খুদোংচাবা অদু ফংগনি হায়বা থাজদবা এম এল এ খরনা লৈঙাক অসি শেম্লক্কনি হায়বা থাজদে হায়রি, অদুগা মমাঙদা লৈরম্বা মিনিষ্ট্রি অদুগী মায়োক্তা লৈখিবশিংনা অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা চৎলিবা জন্যুৱারী থা অসিগী ২৮দা নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা ৱাশক লৌরবা য়াই হায়রি। হান্নগী সী এম, এন বিরেন অমসুং ষ্টেট বি জে পিগী প্রসিদেন্ট এ শর্দা অনীবু দেল্লী হায় কম্মান্দনা কৌরকখিবা অদুনা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা শেম্বগী তোকঙা অসি শন্দোকপা হেনগৎহল্লক্লি। মখোয়বু কৌরক্লিবা অদু ইচম চম্না হায় কম্মান্দনা খনগদবা লিদর অদুদা শৌগৎলু নৎত্রগা অনৌবা লিদর অমা খন্নবগীদমক্তা হান্নগী সী এমনা লেজিসলেটিভ পার্টিগী লিদর ওইবদগী রিজাইন তৌ, অমসুং পার্টি প্রসিদেন্টতা অনৌবা নেশনল প্রসিদেন্ট অমা খল্লবা মতুংদা ষ্টেট পার্টিগী লিদরশিপতা অহোংবা অমা লাক্কনি, অমদি মহাক ফম থাদোকপা তাই হায়বা ৱাফমশিং অসি খঙহন্নবগীদমক্তা ওইরম্বসু য়াই।

অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বা তারবদি কনানা লুচিংবা ওইগদগে হায়বসি অরুবা ৱাফম অমনি অমসুং লুচিংবা ওইনীংবা মীওইগী খূৎচাবীশিংনা মখোয় মশা-মশাগী মীওইশিংনা লিদর ওইগনি হায়না সোশল মীদিয়াদা ফোঙদোক্নরক্লি। অদুবু মতাং অসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফমদি বি জে পিনা কৈদৌনুংদসু ঈরাং হৌবা কাঙবুবু লুচিংবা ওইনা খনখিবা লৈত্রি, অমসুং তূমিন্না মশাগী মতম ঙাইদুনা লৈরিবা মীওই অমবু পার্টি অসিগী লেজিসলেটিভ লিদর ওইনা খল্লকপা য়াই হায়বা অসিনি। পৱার মুন্নবগী লান অসিদা বি জে পিগা হৌদোকমিন্নরকপা অরিবা কাঙবু অমসুং পার্টি অসিদা নৌনা চঙলকপা অনৌবা কাঙবু অনী অসিগী মরক্তা মখোল থোক্তুনা চীক্লবগী মশক অমসু উবা ফংলি। অরিবা কাঙবুনা মখোয়না হান্না খুদোংচাবা ফংফম থোকই হায়রি, অমসুং কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০২২দা লুচিংবা খনখিবগী থৌওং অদুবু মখোয়না অমুক হন্না হঞ্জিনহনবা পামদ্রি।

পূম্নমক অসি ওইদুনসু অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বা নৎত্রগা শেমদবা হায়বসি আই দি পিশিং অমসুং মীয়ামগী মফমদদি হামু হামুনি। পি আরনা লাকশিনবা ঙমদবা নৎত্রগা থাদোক্তুনা থম্বা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংবু অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমনা লাকশিনবা ঙমগদ্রা? হোম মিনিষ্ট্রিগী অপাম্বা মতুংইন্না পি আরগা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রিগা করিসু খেন্নবা লৈরোই। সেন্টরগা ৱারী শানদুনা চথরিবা দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি অসি থিংবা অমসুং নাগা, কুকি অমদি মীতৈনচিংবা য়েলহৌমী পূম্নমকপু অমত্তা ওইনা পুনশিনহনবা ঙম্বা মীয়ামগী লুচিংবা অমা মথৌ তারি। অসিগুম্বা মখলগী লুচিংবা অদু হৌজিক লৈরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিং অসিগী মরক্তা য়াওবা উদে। ●

# য়াওল্লোই নেতাজী সুভাষচন্দ্র বোসকী মপোক নুমিৎ লাকপদা– (১)

- সোতিনকুমার -

মালেমগী নীংতম ঈহৌগী লুচিংবশিংগী মরক্তা মুৎনাইদ্রবা অরঙবা থৱানমিচাক্নম মতম পুন্নমক্তা ঙান্দুনা লৈহৌরগদবা, মরৈবাক নীংবশিংগী মরক্তা অথোইবা মরৈবাক নীংবা, ফাদর ওফ ইন্দিয়া প্লান্নিং, গ্রেট থিওরিটিসিয়ান ওফ ইন্দিয়ান পোলিটিকেল ফিলোসোফি, দি গ্রেটেষ্ট লিদর ওফ ইন্দিয়ান ফ্রিদম ৱার নেতাজী সুভাষচন্দ্র বোস কুমজা ১৮৯৭কী জনুৱারী ২৩দা তাইবঙদা খোঙদারকখি। মহাক চুন্নতগী ইন্দিয়াখক্কী লুচিংবখক্তা নত্তনা এসিয়া মহাদেশকী মরু ওইনা খা অমসুং খা–নোংপোক এসিয়াগী নীংতম লালহৌগী তোমথিন ঙানখিবা লুচিংবনি। মহাক্না এসিয়া মহাদেশকী মফম পুন্নমক্তা নীংতম লালহৌগী ইনিলনা নীকহনখি। পৃথিবীগী মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবা মহাক্কী মরৈবাক নীংবা, মথৌনা, মরিংজেল, হৈ শিংবা অমদি কথোকপতনা পাম্বৈ ওইরগা পৃথিবীগী মরু ওইনা ইন্দিয়াগী মীয়ামবু ওৎপী নৈবীবা, নমথবীবগী অচৌবা মরম ওইরিবা, মীখা পোনবগী পনখৈ অদু থুপচিন্দুনা শান্তি, নীংখা তম্বা তংদু লৈতাবা পুন্সি অমগীদমক মীরৈবাক্তা লৈনা লৈনা ইন্দিয়াগী প্রোভিজনেল গভর্নমেন্ট শেমদুনা বৃটেন, আমেরিকা অমসুং অতৈ ইম্পরিয়েলিষ্ট লৈবাকশিংগী মায়োক্তা লান লাউথোক্তুনা নীংখা তম্বগীদমক, মীওইবগী হক্কীদমক লাম্হেংনখিবা, অসিমক পৃথিবীদা থোকখিবা অতৈ থৌদোক অমত্তগা চাংদম্নবগী ৱাংমদনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

নেতাজী সুভাষচন্দ্র বোসনা ইংলেন্দগী বিসমার্ক, মাজ্জিনি, গারিবোলদিদা তল্লিঙৈদা কুমজা ১৯১৭তা থোকখিবা রসিয়াগী বোলসেভিক রিভল্যুসননা মঙোন্দা অচৌবা ঈথিল অমা পীখি। মতম অদুগী অচৌবা থৌদোক অহুম হায়বদি ১) ইটালিগী রিটারেক্সন মুভমেন্ট, ২) আইরিসকী লিদর, দি ভেলরগী লিবরেসন এক্টিভিটিজ অমসুং ৩) মোদর্ন টর্কিগী কমাল পাশাগী ইন্সরেক্সনগী মওংশিংদা নেতাজী সুভাষচন্দ্র বোসনা য়াম্না কুপ্পা য়েংখি অমসুং মদুনা মঙোন্দা অনৌবা ৱাখল অমা ফাওহনখি।

মরৈবাক নীংবগী মৈনা ইক্লবা সুভাষচন্দ্র বোসনা মতম অদুগী খ্বাইদগী ইকায়খুন্নফম ওইরবা মীপুম খুদিংমক্কী মঙলান ওইরিবা বৃটিশ লৈঙাক্না পীবা সিভিল সার্ভিসকী ফম কুমজা ১৯২১ গী মে থাদা লৌখিদে। মহাক্না ইংলেন্দদগী হল্লক্তুনা বোম্বে (মুম্বাই) দা হেক থুংলবদা ইহান হান্না ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেসকী লুচিংবা মোহনদাস করমচান্দ গান্ধি (মহাত্মা গান্ধি) গা উনদুনা ইন্দিয়াকী চঙশিল্লিবা নীংতম ঈহৌগী লাল্লোং অমসুং তৌগদবা থবক্কী মরমদা হংখি। মহাত্মা গান্ধিগী পাউখুমশিংদা নীংতম ঈহৌগী লাল্লোং অমসুং য়ুম্ফমদা তুংগী আশা পীবা ঙম্বা অকক্লবা অমদি অচেৎপা লাল্লোংশিং মচা খায়না য়াওদবদগী পেন্দ্রবা সুভাষনা কলকত্তাদা লাক্লগা, মতম অদুগী ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী অথোইবা লুচিংবশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা চিত্তরঞ্জন দাসকা উনখি অমসুং মহাক্কী পাউখুমদা পেল্লবা সুভাষচন্দ্র বোসনা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসতা য়াওদুনা বৃটিশকী মথক্তা নীংতম ঈহৌ চঙশিনবদা শরুক য়াবা হৌখি।

কুমজা ১৯২২ দা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা লুচিংবশিংগা লোয়ননা সুভাষচন্দ্র বোসসু ৪শুবা কম্ম্যুনিষ্ট ইন্টরনেসনেল কোংগ্রেসতা শরুক য়ারনবা চেবাউ ফংলবসু মতম অদুগী লৈঙাক্না থিংবদগী মহাক য়াওবা ফংখিদে।

কুমজা ১৯২৩ দা সুভাষচন্দ্র বোসপু য়ুঠ লীগকী চিফ ওর্গনাইজর, কুমজা ১৯২৪দা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইখি অমসুং বেঙ্গল প্রোভিন্সিয়েল কোংগ্রেসকী সেক্রেটরি খনখি। কুমজা ১৯২৪গী ওক্টোবর থাদা মহাকপু ফাদুনা বর্মা (ম্যান্মার) গী মন্দলে জেলদা থাখি, জেলদা লৈনা লৈনা কুমজা ১৯২৬তা মহাকপু বেঙ্গল লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী মেম্বর ওইনা খনখি। কুমজা ১৯২৭কী মে থাদা মন্দলে জেলদগী থাদোরক্তুনা চহিদুমক্তদা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইখি অমসুং কুমজা ১৯২৮ দা ফমখিবা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী কলকত্তা সেশনদা মহাক্না কমপ্লিট ইন্দিপেন্দেন্সকী ৱাফম পুখৎখি, মদুদা মহাত্মা গান্ধি অমসুং অতোপ্পা লুচিংবশিংনা য়েৎখি, অদুম ওইনমক ইন্দিয়াগী মীয়াম্না সুভাষকী এজেন্দাদা হেন্না হেন্না শৌগৎনরকপদগী তঙাইফদনা মথংগী কুমজা ১৯২৯দা মহাক্কী প্রোপোজেল কমপ্লিট ইন্দিপেন্দেন্স অদু ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী সেশনদা রিজোলুসন ওইনা পাস তৌখি।

মহাত্মা গান্ধি অমসুং মহাক্কী মতুং ইনবা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংগী ঈহৌদা হঞ্জানবা অমসুং মাঙদা চঙশিন্দবা মতৌদা সুভাষচন্দ্র বোস অমসুং লেফ্ট মাইন্দেদ ওইবা অতৈ লুচিংবা কয়া পেন্নরমদে। কুমজা ১৯৩০গী জনুৱারীদগী ১৯৩৩গী মার্চ থা ফাওবা বিচার অমত্তা তৌদনা সুভাষচন্দ্র বোসপু বৃটিশ লৈঙাক্না জেলদা ফাজিন্দুনা থমখি। মতম অদুদা মহাক্কী মশা নারকপদগী জর্মনগী ভিয়েনাদা মতম খরা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়ান নেশনেল কোংগ্রেসকী কমপ্রোমাইজীং পোলিসিগী মরমদা খ্বাইদগী শুগায়না ইবা মহাক্কী মমিং লৈরবা লাইরিক 'দি ইন্দিয়ান ষ্ট্রগল' ইখি। কুমজা ১৯৩৬তা ভিয়েনাদগী হেক হল্লকপগা মহাকপু অমুক ফাজিন্দুনা জেলদা থমখি।

বৃটিশ লৈঙাক্কী শক্তি অমসুং লৈঙাক পায়বগী ওইজবগী য়াকা য়েংদুনা চৎপা পাম্বা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়াগী অয়েৎ অপন কয়াগী মরক্তা নেতাজি সুভাষচন্দ্র বোসপু কুমজা ১৯৩৮দা হরিপুরদা ফমখিবা কোংগ্রেসকী সেশনদা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট খনখি। থংনবা কুমজা ১৯৩৯দসু মহাত্মা গান্ধি, নেহরু অমদি মখোয়গী খূৎপু কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়ানা নেতাজিগী প্রসিদেন্সিয়েল কেন্দিদেচরগী মায়োক্তা স্পোন্সর তৌদুনা কেন্দিদেট ওইখিবা পাট্টাভি সিতারামায়াবু চাউনা মায়থিবা পীদুনা অনীরকশুবা ওইনা সুভাষচন্দ্রবু কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট খনখি। মহাক্কী প্রসিদেন্ট টর্ম অসিনা ইন্দিয়া নীংতম্বগী অকক্লবা মতম অমা পীদুনা বৃটিশ লৈঙাক্তা তকশিনবা ইন্দিয়াকী লৈঙাক অমসুং শেমগৎ শাগৎপদা প্লান্নিং কম্মিসন অমা লিংদুনা থবক পায়খৎননবা ৱাফম কয়া পুথোকখি।

মহাত্মা গান্ধি অমসুং মহাক্কী মতুং ইনবা বৃটিশকী য়াকা য়েংদুনা চৎপগী পোলিসিদা থাজবা লুচিংবা কয়ানা সুভাষচন্দ্র বোসনা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইনা পায়খৎলকপা থবকশিংদা অতম্ননা শৌগৎলমদে অমসুং মহাকপু মমিংতগী ওইবা শক্তি পীদবা প্রসিদেন্টকী থাক্তা নমথদুনা থন্নবা হোৎনরকপদগী পেন্দ্রবা নেতাজীনা কুমজা ১৯৩৯গী এপ্রিল ২৯ দা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টকী ফম থাদোক্লম্মী। ● (মখা চথজরকখিগনি)

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্না মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (৩)

- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -

কুমজা মতম ওইরদুনা মরূম তরেৎ কোক্লে। মনুং মতম শুরদুনা মরূম তরেৎমক পোকখাইরে। লিন মচা তরেৎমক মচু অমত্তা তিন্নদে। লিন তরেৎমক শা লাই (সলাই) তরেৎ হায়না খঙনখি। লিনদি ওইরগা তাইবঙ মীগী লৌশিংদি লোইনা খঙই, ৱা ঙাঙবদি ঙমদে। মবুক্লিং য়াম্না নুংঙাইতে। তাইবঙ মীসি উবগা য়াম্না শাওই, কলক মিহৌবা পোকই। তাইবঙ মীসি তুম্লসনু হায়না মিৎয়েং য়েংই। তাইবঙ মী উরগা য়াম্না কাম্মী। মখোয়গা উনরুবা মী মখৈনা মশাদা অপাৎ অপোম, লাইথুং অচৌবশিং চোংথোক্লে। লৈবাক মীয়াম্না ইপুধৌ পাখঙবদা হঙ্গৎলে। লিন মচাশিংসিগী ৱারী তৌরে। পাখঙবনা লিনশিংদু মহাক্কী মচাশিংনি হায়রে। লিনদা তাংথদুনা পোকপনি খঙহল্লে। মখোয়বু হাৎনবা লাইহাৎলোনদি পাখঙবনা মাইবা মাইবীদা শিন্নরে। মখোয়বু তুবী লাই লিন (লাইরেন) সলাই তরেৎনি হায়না খঙনরে। পাখঙবনা কংলাদা মতম কুইনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লে। তাইবঙ শনবনা হকচাং নমথারল্লদুনা খুমন য়েক্কী পীবাদা ফম্বান শিন্নরল্লে। লিন মওং লৌদুনা নুংজেং ঈকোন্দা থুপখ্রে। শিদবা ওইদুনা লৈখ্রে। ওইনীংবতা ওইদুনা মনীং তৌনা নিংথৌ খিবিক্লা লৈবাক ঙাকপা য়েংদুনা লৈখ্রে। মতম্না কুইরল্লদুনা ঈশিং ঈপাক্তগী লৈসা ফাওগৎলক্লে। তাইবঙ মীগী মরুপসু য়ামথোরক্তুনা মফম চন্নরক্ত্রে। অনৌবা লৈশা ওইরকপা মফমদা মী মরুপসু শন্দোরক্লে। মতৌ অসুম্না লৈশেম খুনশেমখি। লৈশেম্লকপগী ৱারীসি "সকোক থিরেন" কৌবা পুয়াদা ময়েক শেংনা ইরি।

রিফরেন্স : লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোনা ইবা *"মীতৈ হৌভ্ম ৱারী"* লাইরিক

মীতৈ মরুপ ইবুঙোসিং - ঙসিগী নুমিৎসি অফবা নুমিৎনি হায়জগে। করিনা, - অসুম্না হায়রবদা- মীতৈ মরুপ্পা জারিবোনগী মনুংদা মপু ইবুঙোগী মরীদা তরা তিনবা তিনগদবা য়াম্না লৈরবসু ঙসিগীসিনা অহানবা ওইবা মরম্না ঙসিগী নুমিৎসিবু মপু ইবুঙোগী নুমিৎনি হায়জগে। ইবুঙোসিং পূম্নকপু ঐনা কৌজবদি - মচিনঙৈদদি লৈবাক ৱাসি ফিগৈ শেঙমদবা মরম্না ইবুঙোসিং পূম্নমক্তা ঐনা হায়নীংবা ৱা খরদং লৈরবসু মচেৎ মচেৎ ওইনা অমদা খরা হায়, অতৈ অমদসু খরা হায় - অসুম তৌদুনা মীতৈ ঐখোয়না মপু ইবুঙো অপোকপগী মরীদা চৎকদবা অমসুং মীতৈ ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদা নীংগদবা মরম খিবিকপু ইবুঙোসিং পূম্নমক্কী মফমদা ৱারী তৌজখিবদা ইবুঙোসিং পূম্নমক্না চুম্মী হায়না পূক্লিং ৱাখল মরা তাবীখিদুনা লৈবাক্কী ইবুঙো-ইবেম্মসিংনা হি অনী তোংবসি চুমদে, ঙম্বা হৌনদে, হি অমত্তমক তোংসি। হি অমতংদা তোংবসু মীতৈ ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা তোংঙম্বা হিদা তোংঙসি - অসুম হায়না হায়দুনা লেপ্পরকপা মতমদা মপু ইবুঙোগী মতিক ময়াইনা চাউবা মরম্না অরোনবা ৱা ওইনা থম্বা য়াদবদগী বামোনসিং পূম্নমক্কী নাকোং অহোবদা চঙখিদুনা, বামোনগী মৈচাক খাঙবা ঙমদদুনা বামোনগী মচা-মনাই ওইরিবা মীতৈ ইবুঙোসিংনা বামোনগী পাম্বৈ ওইরদুনা, লম্বী অমনবা শেংজরিবা অপোকপা ইবুঙো, পোকলেন পোকপা শাৎলেন শাৎপবু পোকপীরিবা লানবীরিবনি হায়না নীংজরিবা মরুপ ইবুঙোসিংবু শোনাইবিদুনা, তাথীবীদুনা, লৈপাক্কী অঙম্বা ইবুঙোসিংনা, অপোকপা ইবুঙোগী মনাই ওইরিবা মীতৈ মরুপকী ৱা অমতং হংবীদনা, অকংবসু চাকপা ঙম্মী, অশংবসু চাকপা ঙম্মী হায়দুনা মরুপ ইবুঙোসিংবু লাকচ-থুমহৎ তৌদুনা মনীং মখা তৌনা লৈবাক্না তিনফদে হায়দুনা লাউবীখ্রে হায়দুনা মীতৈ মরুপ ইবুঙোসিংনা পাউ ফংজরে।

মরুপ ইবুঙোসিংগী মনুংদগী লাইশ্রমখুন মনীং লৈকায়দা অকোইজাম্বা কীর্ত্তি, নেপ্রম বাসনা, থৌদাম অমু, লোইতোংবা ধোন, - মমাঙ লৈকায়দা ননাই ঐ - ঐখোয় মঙাসি লৈবাক্তগী ইন্থোক্লে হায়দুনা মরুপ খিবিক্কী মচিন্দগী পাউসি ফংজরে। ঐখোয় মঙাসিবু লৈবাকসিদগী ইন্থোকপদি ব্রহ্মাচারী ময়ুমগী বাপুহনগী মচীন্দগী লৈপাক ৱা ওইখি হায়না তাজৈ। বাপুহনসিগা ননাই ঐগদি করিসু খৎনখিবা, য়েংথিনখিবা লৈতে। মহাক্না ঐগা উন্নদুনা অপোকপা ইবুঙোগী মরীদা করি অমত্তা ঙাঙনখিবা লৈখিদে। মতৌ অসুম তৌদুনা লৈপাক অসিনা মতু শোনবা কনা লৈজদবশিংবু চৈরাক তৌবী। লৈপাক্কী ইবুঙোসিংগী মপাঙ্গন কনবসিবু উজরগা মতম অমদা মীরৈবাক্কী মখূৎতগী মরৈবাক মুলহৌনি হায়না নীংজৈ। মরুপ ইবুঙোসিংবু হন্দক্কী লানসিদি পাঙ্গনগী লান নত্তে, তেংবানবগী মপু ইবুঙোগী লম্বীবু থিনরকপা ৱানি। লৌশিংগী লাননি। মরম অসিনা লৈপাক্না পাঙ্গন উৎপসি অপোকপগী মরুপ ঐখোয়না করিসু থুকচরুদে, তু চুংজরুদে। লান্দবা হায়বসিগী মমিংবু য়াইফবা কৌই। ননাই ঐখোয়বু লৈপাক্না অসুম্না লাক্নে হায়দুনা মরুপ ইবুঙোসিংনা পরৈ হনবা তৌবীগনু। মীনা অরেম্বদা ঙাঙনবসিদি হুম্নিদনি। করিসু কিবীরুনু। ● (মখা চথজরকখিগনি)

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩০গী ৱাহং

১) "মমিং থোন্দ্রিবা ৱারী" হায়বা ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "থিরি ঐহাক্না পুন্সিগী অর্থ
থেংনগদ্রা হায়দুনা করিগুম্বা
ৱাখলগী নম্বোদা হাইহুম্না
হনবা নাইররোইদবা খোঙচৎতা...।"

শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং মসি লৌথোরল্লিবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) "দি সোসিও-কলচরেল এন্দ হিষ্টোরিকেল একাউন্টস ওফ মণিপুর" (২০১৫) হায়বা ইংগ্রাজিদা ইবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) "মণিপুরদা চহী তরেৎ খুন্তাকখিবা" (২০১৯) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) "রামেশ্বর : নিঙম, নিঙল্লা, নিঙল্লা, নঙবু কদায়দা লৈবগে? নিঙম...।"
দাইলোগ মতেক অসি করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।
লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।